# অযোধ্যা
## অনৌবা পুৱারী অমা ইরিবা



উত্তর প্রদেশকী দবল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাবু মালেমগী মেপতা মরু ওইবা স্পিরিচ্যুএল অমসুং কলচরেল সেন্টর অমা অমুক হন্না ওইহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি। হৌজিক সিটি অসিদা লুপা ক্রোর ৩১,০০০গী প্রোজেক্ট ১৭৮ পায়খৎলে। মথংগী চহী ১০গী মনুংদা মাষ্টর প্লান ২০৩১গী মখাদা লুপা ক্রোর ৮৫,০০০ গী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংনা মসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহল্লগনি। অত্মানির্ভার ভারতকী মীৎয়েং থুংহন্নবগী মনুং চন্না লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অযোধ্যাদা য়ু পি জি আই এসকী মনুংদা খূৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ুশিংগী খূত্থাংদা লুপা লাখ ক্রোর ১.৫৪গী ইনভেষ্টমেন্টকা লোয়ননা মীওই লাখ ১.৩ রোমগী ফমশিং শেল্লগনি। সপ্তাপুরিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফরবা অৱাধপুরি অসি ‘চাওখৎ খোঙথাংগী অনৌবা মোদেল অমা’ ওইনা শেমগৎলক্লি।

ঈকায় খুম্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েংগা চান্নবা ‘ধর্মনগরি’ অযোধ্যাবু হীরম খূদিংমক্তা চাওখৎহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং চঙল্লিবশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিগী অমসুং মালেমগী মীয়াম্না দিভ্যা, ভভ্য, নভ্যা অযোধ্যা য়েংনবগীদমক খৌরাংনা ঙাইনরি। ঐখোয়না অযোধ্যাদা লাক্লিবা দিভোটি, টুরিষ্ট খূদিংমকপু পূক্নিং পেন্না অমসুং হরাওনা হলহন্নবা হোৎনগদবনি।

**য়োগি অদিত্যানাথ, চীফ মিনিষ্টর, উত্তর প্রদেশ**

অযোধ্যানা ঐখোয়গী খ্বাইদগী মচঙ ওইবা মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা চৎনবী, থাজনবীশিং অমসুং ঐখোয়গী খ্বাইদগী ফবা চাওখৎ খোঙথাংগী অহোংবশিং উখোকহনগদবনি। তুংলমচৎকী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা সিটি অসিগী মচৎ, ৱাখল্লোনশিংগা চুনহনগদবনি। মসিনা টুরিষ্টশিং অমসুং লাইফম কোয়বশিং য়াওনা মীপুম খূদিংমক্তা কান্নহনগনি। তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা মখোয়গী পূস্নিদা অযোধ্যাদা অমুক্তং ওইরবসু কোয়নিংবগী ৱাখল চেলহনগদবনি। অযোধ্যাগী মশক মতৌবু অমসুং মসিগী ফজরবা কলচরবু অনৌবা পাম্বৈশিংগী খূত্থাংদা কায়হন্দনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাংনি।

**নরেন্দ্র মোদি, প্রাইম মিনিষ্টর**

### পুৱারীগী খোঙথাংশিং

- অযোধ্যা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন শেম্বা
- অযোধ্যা বাইপাসতা অচৌবা বস ষ্টেসন অমা শাবা
- রাজার্ষি দশরথ ওটোনোমোস ষ্টেট মেদিকেল কোলেজ শাবা
- ভজন সন্ধ্য স্থাল, ম্যুজিয়ম, শ্রি রাম মীতম শাবা
- অযোধ্যাবু স্মার্ট সিটি অমা ওইনবা শেমগৎপা
- মহাঋষি বাল্মিকি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট
- অযোধ্যাগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বী কয়া লেন মরি থোক্না শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং ফজহনবা
- শ্রী রাম মন্দির মার্গ পাকথোকপা অমসুং ফজহনবা
- ধরম পাথকী অতে লম্বীশিং হেন্না পাকথোক-চাউথোকহনবা
- মহাঋষি মহেশ যোগি রমায়ন য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপা
- উত্তর প্রদেশ শ্রি অযোধ্যা জি তীর্থ বিকাশ পরিষদ শেম্বা
- ইন্দিয়ন টেম্পল অর্কিটেকচর ম্যুজিয়ম লিংখৎপা
- ইন্টরনেসনল রমায়ন এন্দ ভেদিক রিছার্স ইন্সটিট্যুট
- মোদেল সোলর সিটি অমা ওইনবা শেমগৎপা
- অযোধ্যাদা শীল-লাংলিবা ফেয়র পূম্নমক্তা ষ্টেট ষ্টেটস

### লোঞ্চ তৌখ্রবা প্রোজেক্টশিং

- মহাঋষি বাল্মিকি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অযোধ্যা ধাম অচঙমলনা লুপা ক্রোর ১,৪৬৩
- জাউনপুর-অযোধ্যা-বারাবঙ্কি রেল লাইন প্রোজেক্টকী মখাদা সেক্সন ৪ লুপা ক্রোর ১,৯১৯ চঙনা দবলিং তৌবা
- রাম পাথ (সহাদটগঞ্জদগী নয়া ঘাট ফাওবা) লুপা ক্রোর ৮৪৫ চঙনা শেমগৎ-শাগৎখিবা
- অযোধ্যা ধাম জঙ্কসন রেলৱে ষ্টেসন লুপা ক্রোর ২৪১ চঙনা নৌনা শেমজিনবা
- ওভরহেদ পৱার লাইনশিংগী অন্দরগ্রাউন্দগী থবক লুপা ক্রোর ১৬৭ চঙনা পায়খৎখিবা
- বাদি বুৱা রেলৱে ক্রোসিংদা লুপা ক্রোর ৭৫ চঙনা শেমগৎখিবা রেল ওভর ব্রিদজ
- ভক্তি পাথ (অযোধ্যা ম্যেন রোদতগী হনুমান গার্হি ফাওরগা শ্রী রাম জন্মভুমি ফাওবা) লুপা ক্রোর ৬৮ চঙনা শেমগৎখিবা
- লুপা ক্রোর ৬৭ চঙনা শেমগৎখিবা মহাঋষি অরুনধাতি পার্কিং অমসুং কম্মর্সিএল কমপ্লেক্স (ইষ্ট এন্দ ৱেষ্ট)
- লুপা ক্রোর ৬৫ চঙনা শেমগৎখিবা ধরম পাথ (এন ঐচ-২৭দগী নয়া ঘাট ওল্ড ব্রিদজ ফাওবা)
- এন ঐচ-২৭ বাইপাস মহোব্রা বজারদগী টেঁধি বজার ফাওরগা শ্রী রাম জন্মভুমি ফাওবগী লুপা ক্রোর ৪৫ চঙনা শাখিবা লেন ৪গী লম্বী
- লুপা ক্রোর ৪১ চঙবা শ্রী রাম জন্মভুমি পাথ (সুগ্রিভা ফোর্টতগী শ্রী রাম জন্মভুমি ফাওবা)
- কল্লেক্টরেট প্রেমিসেসতা লুপা ক্রোর ৩৭ চঙনা শাখিবা লক্ষ্মন কুঞ্জ স্মার্ট ভেহিকল পার্কিং
- লুপা ক্রোর ৩৪ চঙবা পুলিস পর্সনেলশিংগী ট্রাঞ্জিট হোষ্টেল
- লুপা ক্রোর ২০ চঙনা শাখিবা অযোধ্যা-সুল্টানপুর এন ঐচ-৩৩০ দগী এয়রপোর্ট ফাওবগী লেন ৪গী লম্বী
- লুপা ক্রোর ১৭ চঙনা সোহাৱাল এরিয়াগী পিস্বারাওলি গ্রাম সভাদা লিংখৎখিবা সোলিদ ৱেষ্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্ট
- অমানিগঞ্জদা লুপা ক্রোর ১৭ চঙনা শাখিবা মল্টি-লেভেল ভেহিকল পার্কিং অমসুং কম্মর্সিএল কমপ্লেক্স

### অহোংবা লাকহনবগী কোন্সেপ্ট ৮





সিটি অসি মমাংঙৈগী মপা লৈত্রবা নুংঙাই-য়াইফবগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবা অমসুং মশক নাইবা সিটি অমা ওইহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মরুওইবা কোন্সেপ্ট ৮দা য়ূম্ফম ওইরগা চাওখৎ থৌরাংগী খোঙথাংশিং পায়খৎলি।

#### সংস্কৃতিক অযোধ্যা

মসিগী পান্দমদি অযোধ্যাবু ইন্দিয়াগী কলচরেল কেপিটেল ওইহনবনি। ইনিসিএটিভশিংগী মনুংদা অচৌবা লাইশঙশিং, মোনাষ্ট্রিশিং অমসুং আশ্রমশিং লিংবা, অচৌবা সিটি গেটশিং শাবা অমসুং লাইশঙগী ম্যুজিয়মশিংগুম্বা প্রোজেক্টশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াওই। খূদিংমক অসি ষ্ট্রেটেজিক্কী থৌরাং অসিগা মরী লৈনৈ

#### সক্ষম অযোধ্যা

সক্ষম অযোধ্যাগী কোন্সেপ্টকা চান্নবা অযোধ্যাবু মপাল তাঙদবা মপুং ফাবা সিটি অমা ওইহন্নবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলি। মসিগী পান্দমদি নুমিৎ খূদিংগী ওইবা থবকশিং, টুরিজম অমদি লাইনিং-লাইশোল অমসুং কলচরগী থবক থৌরমশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা চেনেলশিংগী খূত্থাংদা থবক্কী খুদোংচাবশিং মরাং কায়না লৈহনবনি



#### সুরাম্যা অযোধ্যা

সুরাম্যা অযোধ্যা মসিদা পুখ্রি, পাৎ অমসুং মমাংঙৈগী রিজার্ভর কয়া ফজহনবা, অরিবা গার্দেনশিং হান্নগী ফীভমদা হিঙ্গৎহনবা, অনৌবশিং শেমগৎপা অমসুং সিটি অসিগী মীৎয়েংফমশিং ৱ্যের চবুলশিং উহন্দবীদা হেরিটেজ লাইটিং সিষ্টেমশিংগী খূত্থাংদা ঙাল্হোকহন্দুনা ফজহনবা। ফেকেদ লাইটিংগা লোয়ননা লম্বীশিং ঙাল্হোকহন্দুনা অযোধ্যা চাওখৎহনবদা থৌদাং লৌরি

#### ভাভনাটমাক অযোধ্যা

ভাভনাটমাক অযোধ্যা খন্নরকপা মতমদা সনাত্নি কম্ম্যুনিটিগা অযোধ্যাগা লৈনরিবা পূক্নিং ৱাখলগী মরীবু শ্রী রামগা শম্নবগী সেন্টিমেন্টসু চেলহল্লি। পান্দম অসিগা লোয়ননা সিটিগী ৱালশিং, লম্বীগী নাকলশিং অমসুং ইন্টরসেক্সনশিংদা কলচরেল ইনহেন্সমেন্টকী মচাকশিং য়াওহনবা উরি।

#### অধুনিক অযোধ্যা

অধুনিক অযোধ্যাগী পান্দমগা লোয়ননা শেংলবা সিটি অসি হৌজিক মোদর্নাইজেসনগী প্রোজেক্ট চত্থবগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লে। স্মার্ট সিটি, সেফ সিটি, সোলর সিটি অমসুং গ্রীনফিল্ড টাউনশিপকুম্বা ইনিসিএটিভশিংনা অযোধ্যাবু মোদর্নাইজেসনগী থবকশিং অসিগী মতুংইন্না শেমগৎ শাগৎলক্লি।

#### সুগম্যা অযোধ্যা

সুগম্যা অযোধ্যাগী ৱাখল্লোনগা চান্নবা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট, অযোধ্যা ধাম জঙ্কসন রেলৱে ষ্টেসন, সিটি মনুংদা লম্বী লেন ৪ ওইহনবা নৎত্রগা অনকপা দিষ্ট্রিক্টশিং শম্নহনবা নৎত্রগা সার্যু অমসুং লম মনুংগী ঈশিংগী লম্বীগী মরক্তা কন্নেক্সনশিং লিংবগী ওইরবসু গভর্ণমেন্টশিংনা অযোধ্যা য়ৌশিনবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা থৱায় য়াওনা হোৎনরি।

#### স্বাছ অযোধ্যা



স্বাছ অযোধ্যাগী মিং অসিনা খঙহল্লিবগুম লূ-নালহনবগী ইনিসিএটিভশিং অমসুং সিটি অসিগী দ্রেনেজ অমদি সিউর সিষ্টেমশিং ফগৎহনবা য়াওনা মপুং ফাবা থবকশিং পায়খৎলি। চীফ মিনিষ্টরনা অযোধ্যাবু টুরিজম অমসুং লাইনিং-লাইশোলগী মশক নাইবা সেন্টর অমা অমদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটি ওইহন্নবা ৱাশকখ্রবনি।

#### অয়ুশমান অযোধ্যা

অয়ুশমান অযোধ্যাগী কোন্সেপ্টতা অযোধ্যাগী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর পেসেন্টশিংদা ক্কালিটি ৱাংবা অমসুং খুদোংচাগদবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং ফংহনগদবা মওংদা হেন্না ফগৎহল্লে। রাজার্ষি দশরথ ওটোনোমস ষ্টেট মেদিকেল কোলেজনা মেদিকেল সর্ভিসেস ফংহনবদা নত্তনা ইমর্জেন্সি মেদিকেল ফেসিলিটিশিংদা রিছার্সসু পাক শন্না চত্থরি।

### শেমগৎ-শাগৎলিবা প্রোজেক্টশিং

- লুপা ক্রোর ২১৮২ চঙগদবা গ্রীনফিল্ড টাউনশিপ প্রোজেক্ট
- লুপা ক্রোর ৩০০গী ওইবা বশিস্থ কুঞ্জ রেসিদেন্সিএল প্রোজেক্ট
- এন ঐচ-২৭গী লক্ষনৌ-অযোধ্যা সেক্সন্দা লুপা ক্রোর ২৯৭ চঙনা ঈ পি সী মোদতা পায়খৎলিবা কিমি ৮.০০০দগী ১২১.৬০০ ফাওবা পাকথোকহনবা অমসুং মপাঙ্গল হাপ্পা
- এন ঐচ-২৭তা ঈ পি সী মোদতা লুপা ক্রোর ২১৮ চঙনা অযোধ্যা বাইপাসকী কিমি ১২১.৬০০ দগী ১৪৪.০২০ ফাওবা পাকথোকহনবা অমসুং মপাঙ্গল হাপ্পা
- লুপা ক্রোর ১২০ চঙবা অযোধ্যা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমসুং অযোধ্যা দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি ওফিস বিল্ডিং
- লুপা ক্রোর ৪০ চঙনা শারিবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ পেট্রোকেমিকেলস ইঞ্জিনিয়রিং এন্দ টেক্নোলোজি (সী আই পি ঈ টি)
- উত্রাওলা-ফাইজাবাদ-অল্লাহবাদ লম্বী লুপা ক্রোর ২৮ চঙনা পাকথোকহনবা অমসুং মপাঙ্গল হাপ্পা
- ৱৌনাহি-দিওধি রোদ লুপা ক্রোর ২৭ চঙনা পাকথোকহনবা অমসুং মপাঙ্গল হাপ্পা
- গুপ্টার ঘাট অমসুং রাজ ঘাটকী মরক্তা লৈরিবা অনৌবা কনক্রিট ঘাটশিং অমসুং হান্না শারম্লবা ঘাটশিংগী থবক লুপা ক্রোর ২৪ চঙনা নৌনা হিঙ্গৎহনবা
- নয়া ঘাটতগী লক্ষ্মন ঘাট ফাওবদা লৈরিবা টুরিষ্ট ফেসিলিটিশিং লুপা ক্রোর ২৩ চঙনা শেমগৎপা অমদি ফজহনবা
- রাম কি পাইদিগী ভিজিটরশিংগী গেল্লরি লুপা ক্রোর ২৩ চঙনা শেমগৎ-শাগৎপা
- রাম কি পাইদিদগী রাজঘাট ফাওবা, রাজঘাটতগী শ্রী রাম জন্মভুমি লাইশঙ ফাওবগী লাইফম কোয়বশিংগী লম্বী লুপা ক্রোর ২৩ চঙনা মপাঙ্গল হাপ্পা অমদি নৌনা শেমগৎপা
- অযোধ্যা ধাম জঙ্কসন রেলৱে ষ্টেসনদগী রাম পাথ ফাওবগী স্মার্ট রোদ (ক্ষীর শাগর পাথ) লুপা ক্রোর ২০ চঙনা শেমগৎপা
- অযোধ্যা-লক্ষনৌ রোদতা লুপা ক্রোর ২০ চঙনা গেট কমপ্লেক্স শেমগৎপা
- অযোধ্যা-অম্বেদকরনগর রোদতা লুপা ক্রোর ২০ চঙনা শেমগৎলিবা গেট কমপ্লেক্স
- অযোধ্যা-রাইবরেলি রোদতা লুপা ক্রোর ২০ চঙনা শেমগৎলিবা গেট কমপ্লেক্স
- নাকা হায়ৱেদগী নাকা চুঙ্গি ফাওবগী রাইবরেলি-অযোধ্য রোদ লুপা ক্রোর ১৮ চঙনা লেন ৪ থোক্না পাকথোকহনবা অমসুং কলহনবা
- অৱাধ আগমন পাথ (ক্ষীর সাগর পাথতগী রাম পাথ ফাওবা) লুপা ক্রোর ১৭ চঙনা শেমগৎ শাগৎপা
- গপ্টার ঘাট লুপা ক্রোর ১৭ চঙনা ফজহনবগী থবক (অহুমশুবা ফেজ)
- পুৱারীগা শাগোন্নরবা এন্ট্রান্স গেট ৪ লুপা ক্রোর ১৫ চঙনা কায়হন্দনা থম্বা অমসুং ফজহনবগী থবক

HL-B/8496/16